## ৱারী মচা

# উপায় লৈজদবা

**ৱাংথোই লাইশ্রা**

পুন্সি অমা শেম্নবা হোৎনবদা অকোয়বা কৈরোয়–লৈকায়গী মখাসু খরা পোনবা জাৎনি। তশেংনমক ঐদি মখাথংবা য়ুমলোন্নবগা তাইনবসি অৱাংবা চেকপল অমনা খাগৎনীংলবনি। মচীন–মনাও মঙানি। অতোনবগী মচা অহুম –মরি লৈবদুনি নোংঙানবগা কপ্পগা –লাউবগা, নীংঙাইনে করিনে কোকপু ঙাওবজাৎনি। লমসু হেনখ্রে মখোয়গী মচাশিংসে। অসিফাওবা মচীন–মনাও অহুম অমদি য়ুম পাল্লমদবৈ, মচা–মশু লৈরমদবদগী খরা ফরিবনি। তৌবগীবুদি মখোয়নসু ঐখোয়গী মতেংবুদি অদুম মপাংঙি। মখোয়গী ইমুংসিসু শুনা–শুনা নুংঙাইবদি সুকঙম ঙমদ্রবনি। কৈবুই কৈওইবগী উতোং অহোবদু মঙায়রে। মচীন–মনাও য়াইমদুসু কুইরে য়ুমদা লৈতবা। গারী চৎপদা য়াওরিমাল্লে। ময়াম্নবুদি ‘তয়াই’ হায়রগা হেন্না খঙনৈ। অহন্নসু অঙাংনসু ‘তয়াই’ লোইনমক মিঙ্গৌনৈ।

তয়াই। নোংমা নুমিদাং অমা চৎথোকপদা লম্বীদা থেংনৈ। চুরুপ মচৈ অমা থক্লম্মী। অমদুসু খরা থক্লুরমাল্লে। ঐ হেক উবগা মখুৎতগী চুরুপ্তু লৈমায়দা থাদরগা মখোঙনা নৈশিল্লি। অদুগা মখোলদু ফাইরি ফাইরি কৌরকই, “ৱাংথোই! চৎথোকলুরিবরা? খরা খরা ঙন্না হঞ্জিন্নৌ।” মখা তানদি হায়নীংবজাৎনি। অদুবু অদুম লৈহৌরে। মানা ঐগীদমক করিসু তৌবিবা ঙমদ্রবসু ঐ নুংঙাই। মথম্মোয়দা মচা–মনাও ওইবশিংবু ফহন্নীংবগী ৱাখল্লোন অমদি চেল্লি। মদুনা ঐগীদি অদুম য়ারে। অদুম পেল্লে। নোংমসু থাবল চোংফমদা থেংনৈ। মথন্তা লেপ্তুনা লৈরম্মী। খোঙ্গ্রাও ফুরিৎখাউদগী চেৱিং গম অমা লৌথোক্লগা পী। ঐনা ঙন্বসু মদু মঙায়রে। তয়াইগী পুন্সিদা ঐ কোক থিংজিল্লুবদি ঙমদে। অদুবু ঐনা খঙবা হায়ববু মহাক্কী পুন্সিসে অসুম্নদি খক ওইরমদবনি।

মতমদো ঐখোয়সু পীক্লি। তয়াই স্কুল অমদা চৌকিদার ওই করি ওই পুরম্মী। মখোয়গী আশাদি নোংমা স্কুল অসি সরকারনা লৌখৎলকখিনি অসিনি। সরকারগী মমীৎতি তাঙখি। শক্তি পায়হৌনবৈ, শেঙ্গা–থুমজাগী শরৌ মরক্তা চাওখৎপগী লম্বীদি উখিদে। তশেংনমক সরকারগী মমীৎতি অদুমক তাঙখি। খৃষ্ট্যানশিংনা যীশু ঙাইবদি চোকথরমদবা য়াই। অদুবু মখোয়দি চোকথরকখি। চাকখাউগী লান মরক্তা মখোয় ঙাইবা ঙমখিদে। মমৈথংদা স্কুল অদু থুপচীনখি। মীরোল কয়া লোয়নরক্লবা মহৈ তম্ফমশঙ অদো সরকারনা লৌখৎত্রিঙৈ মপুন্সি লোইশিনখি।

তয়াই মতম খরদি তৌফম খঙখিদে আশা অমা ময়োল কংখ্রে। অনৌবা ময়োল অমা চোংনবা হোৎনবদা মতম খরদি চঙখিমাল্লে। নোংমা নুমিদাং অমা ময়ুমদা হঞ্জিল্লকই। অঙৌবা ঙাক্তা শেৎলি। ফুরিৎ অঙৌবা, খোঙ্গ্রাও অঙৌবা, খুজেংদদি খোঙ্গ্রাও মথক্তা ফি অমুবা অমমন্না কিশিল্লি। ঐসু তনহং হংজিল্লুই “কদায় চৎলুইনো তয়াই?” মোং–হাদনা খুম্মকই, “বেন্দ পার্তি অমা য়াওরি ইবো। ফীজোলসিসু অৱায়বনি, খোঙলিবা খুৎলায়সিসু অৱায়বনি” ঐ মখা অদুম তাজদ্রে। অসুম্না বেন্দ পার্তি অমদা য়াওরগা মীগী লুহোং–খোঙদোংবা খরা চৎলমাল্লে। অদুদগীদি মশাগী ফীজোল, মশাগী খুৎলায় লৈবা ঙমদবগীরা করিনো অদুম তোকখ্রে। মতম খরা য়ুমদা লৈরম্মী। তশেংনমক মহাক ককঙাওনরমাল্লে। নোংঙানবগা হেক হেক থোকখি। য়ুমদা হঞ্জিল্লক্কনি খঙদে। চারমদাইদা হেক হেক হঞ্জিল্লকই। ইমুং–মনুংদা ঈরাং কানরকই। নোংমদি ইখঙ খঙহৌদনা খৎন–চৈনবা থোক্লকই। নুমিৎ অদুদা মহাক য়ুমদগী মপান থোকখি। অদুম হঞ্জিল্লকখিদ্রে।

খরা লৈরগা পাউ তারকই, তয়াই গারী অমদা য়াওরি। অদুবু য়ুমদদি নোংমতসু হঞ্জিল্লকখিদ্রে। ঐহাক ৱারৌখি নোংমতসু মমা অশোনবীগী নাক্তা লাকপদি ফবনি। মমানা খ্বাইদগী নুংশিজবসু মহাক্লি। ঐখোয়গী বাবানা গ্রাম পঞ্চায়তকী ভোৎ লেপ্পগী অদ্বাইদনি। নোংমা নুমিদাং অমা ইখঙ খঙহৌদনা চঙলকই। ঙাইহাক ফল্লম্মী। ঐনা হংঙি, “তয়াই, য়ুমদদি চৎলরোইদ্রা?” ঐঙোন্দা ওনশীল্লগা ভাষণ অমা পীথরকই, “ৱাংথোই, ঐঙোন্দা হৌজিক লুপা মঙা চৎপী অমখক্তং য়াওরি। মসি পুরগা কম্মাইনা য়ুমদা চঙগদৌরিবনো?” ঐ খুমদে। অদুবু খল্লি। নাকল অমরোমদদি মহাক্তা হায়রিবসিসু চুম্মী। মনাওনুপাশিং, অদুগী মথক্তা মনাওনুপী! ময়ামদুগী মমাঙদা লুপা মঙাখক পুরগা চঙবা হায়বসি পঙলেমদি লেম্বা থবক্তিং নৎত্রে। ঙাইহাক ঙাঙলম্মগা মহাক অদুম চৎখ্রে। ময়ুমদদি চঙলমদে।

লম্বীদা মনাওনুপাগী মচাশিং থেংনরবদি গারীদগী চান্দী চৎপী অমা অনী হেক হেক থাদরম্মী। নোংমসু হাথু হাথু লাক্লগা ঐবু কৌরকই, “ৱাংথোই, মী ফুসি লাওঃ ঐঙোন্দা মোয়না উশিৎলক্তবা...।” ঐ নুংঙাইখিদে লাঞ্জখিদ্রবা ইয়াম্বসিদসু অকন–অরীং শীংনরক্লবোইরে। ঐখক্তা নত্তে মহাক্লা কৌখিবদো, কনা কনানো য়াম্না কৌখিবনি। কনা অমত্তসু থওইনা থোক্লুরক্তে। ঐসু তাশীন্নখিদে। তুমিন্না লৈখি। মসি নত্তনা করিদি উপায় লৈরি। অমুকসু খল্লকই ‘উপায় লৈজদ্রবা নঙোন্দা মীনা উশিৎতনা কনাদা উশিৎতবদি য়ারুনি’। মহাক ঙাইখি। লম্বীদা ঙাইহাক ঙাইরম্লগা উপায় লৈতনা চৎখি। মচীন–মনাও কনা লৈজদবগুম মহাক চৎখি–মহাক্কী তোঙানবা লম্বীদুদা, মহাক্কী তোঙানবা পম্বুংফমদু তম্না। তুমিন্না অদুমক চৎখি।

## শৈরেং

### তারমদায় নুমিৎ

**শরত সলাম**

তারমদায় পুন্সি নুমিৎনা
য়েংলম্মী মুনা ঐবু
পাউখোঙ অমা চনলন্নগা
খংহৌদনা মাঙখি।
অঙানবা মঙাল পুদুনা
থংনবা মিৎকুপ্তা অমম্বনা কোইসিনখি
ঐ অসুম কিরকখি।
পুন্সি নঙগী খোঙচৎসিদা
করিগী লাক্লি অমম্বা নঙনা
নোংঙান্দনা লোইখ্রবা পুন্সিনা
থিরি মাঙখ্রবা লম্বী
লৈরমই ঐগীসু পুন্সি খোঙলোয়
পুন্সিনা লৈখা তারবদা
চৎখ্রে ইনাক্তগী লাপ্না
পুন্সি নুমিৎ তারক্লবদা
য়েংহল্লমই ঐবু মুনা।

### লমদমসিগা চুনদে

**এম. এম অহমদ**

মীনা খনবা
মপুনা য়ানীংদে,
অচুম্বা চৎপা
লমদমসিগা চুনদে।
অদুনা
ঙাঙলুনু চীন
য়েংলুরনু মীৎ
তারুনু নাকোং
ফোঙদোক্লুরনু অচুম্বা।

### মরুগী যুক

**লাইশ্রম জুগেশ্বর সিংহ**

ও কবি। নংনা করিগী লান্না ইরিবা?
কদায় চৎখ্রে? নংগী ফজবা শৈরোল,
য়াদেনে মরুনা য়াদেনে!
ও ধর্ম্মারাজ! নংনা করিগী হিংসা তৌরিবা?
কদায় চৎখ্রে? নংগী অহিংসাগী ফিদম,
য়াদেনে মরুনা য়াদেনে।
হে করবাৱালা! নংনা করিগী পোৎ মমল হেন্না য়োল্লিবা?
কদায় চৎখ্রে? নংগী নুংঙাইবা মীয়াম ৱারগা?
য়াদেনে মরুনা য়াদেনে।
হে মন্ত্রি! নংনা করিগী মীহাৎপসি ফাদ্রিবা?
কদায় চৎখ্রে? নংগী দন্দি পিনবগী থৌনা,
য়াদেনে মরুনা য়াদেনে।
হে ওফিসার ! নঙোন্দগী করিগী পিওননা চাওরিবা?
কদায় দিসিপ্লিন? নংবু খঙদ্রবা নখা থাবা ষ্টাফনি,
য়াদেনে মরুনা য়াদেনে।
হে নুপা! নংনা করিগী নংগী নুপীবু খামদ্রিবা?
কদায় ফাওৱা? নংবু নুপী ৱারকপা ঙমদবা নুপাগী দাশা?
য়াদেদে মরুনা য়াদেনে।
হে মামা! নংনা করিগী নচা ৱারক্ত্রিবা?
কদায় আশা! নংনা নচাদগী তৌবা আশা,
য়াদেনে মরুনা য়াদেনে।
যুকনি যুক মরুগী যুক।

### থম্মোয়গী মৈচাক

**নারেংবম প্রিয়োবর্ত্ত**

হো ইমা নুংশিবী ইমা–ও
মতম কুইরে উরক্তবা ইমা–ও
থাবুম কয়া হৌখ্রবসু
হেন্না হেন্নদুম নুংশিরকই ইমা–ও
ববাগী নুংশিবা শক্তম উজহৌদ্রবসু
ইমা নংনা অমত্তনি খনজবনি নচানা
ইমানসু সংসার থাদোকখ্রবদা
কনাগী শক্তম য়েংলগা
অৱা– মৈচাকসে খাংগনি ইমা ও।
হরাও কুম্মৈ মতমদা
মরুপ মপিজাশিংনা
মমা–মপাগা লোয়ননা
হরাও মথোই কাজবা
লাইবকথিবা নচাগী লাইবক্তদি
তম্বীরমদ্রবোই হন্দক মপোকসে।

### থৱাই মাপলতনা মীরা?

**কে ইমো মীতৈ**

অশেংবা ইরমদমগী ইহৌদা লৈখিদবা
থৱাইসি মখোয় মাপলখক্তা ওইরব্রা?
করিগীনো অতৈদি মী নত্তবরা?
মাপল লৈরম্বদগী অমা খন্দোক্লগা
লাউথোক্লি লাখ য়াঙ্খেনা খুবমগী
লাখ অমনা মথৌ পাঙথোক্লবগী
লাখ তরানা অশিবা ইমুংগী
সরকারগী থবক অমসু খুশিন্নবনি।
মখোয় লমদম অসিগী মীওইরা?
জুদিসিএল ইনক্বারী করিগী য়াদদ্রিবনো?
জুদিসিএল ইনক্বারী তৌগদবনি ৱাকৎলিবনি
মখোয় মাপলগী মমাংদা লৈখিদবশিংদি
সরকারনসু ইনক্বারী তৌদনবা হোৎনরি।
মখোয় মপালগীনা করিগী তৌহন্দ্রিবনো?
ঙসিগী লূচিংবসা! পুকচেল লোংগনু
মখোয়দগীসু হেল্লিবনি লৈখিদ্রবা পূন্নমক্না
করিগীনো মখোয়খক্তংদা মীনুংশি উৎকদৌরিবা?
ওইদবনা অচুম্বা শাবা ঙাক্তনি
খংবা ঙমদবা লৈঙাক মপুশিং
লোইবা নাইরোই বন্দ ব্লোকেদ
নহা মাইবদি মঙ থনবনি
মীতোপ থৱাই মাপলতনা মীরা?

### মতম

**এলাংবম ধনঞ্জয়**

উত্রা মাংদা লেপ্লিবা
কংলা শাসে য়েংঙুহে
মখয়াৎ লাত্তনা কাদুনা
মরৈ হা হা তমদুনা
লাক্কদবা মতম খোংলৈবু
য়োংকে হায়না ঙাইরিনি।
মতম্বু খাক্কে খনগনু
লেংঙোইদবা লন্নি লৌগনু
পোরোল শো লোন্দুনা
থম্বা য়ারোই ফাদুনা।
পায়বা পায়বা পাইখিনি
য়েংনা য়েংনা উহৌরোই
থৌদোক্ল
মাবু খঙবনি
ওইফম্না মাবু লেপ্পনি ।।
থৌদাবু পাংহৌদ্রবদা
মতমগী তাঙ্কক লৈতবনি।
হৌখ্রগা নঙগীদা মাংবনি
মৈতান্না ৱাখৈরমদাইদা
নিংঙমহৌদবা লাকপদা
করিসু কান্নবা লৈররোই ।।

### “শেলগী গম”

**শ্রী লাইশ্রম দেবেন সিংহ**

সুপর গ্লু–না নপ্পদে হেন্ন,
দ্রেন দ্রাইট–না নপ্পদে হেন্ন,
অতৈ গম্না নপ্পদে হেন্না কনবদি
“শেলগী গম” না নপ্পনা অতৈদগী নপশিনবা হেল্লি
অতৈ পোৎলম্না শাবদি, মতম খরতগীনি
ছুম তউনা চাখ্রগদি নপলিবা পোৎশিং তোঙান–তোঙাল্লি
চেৎশিনবা ঙমদে, মপাঙ্গল শোঈছে, তশেংবনি।
“শেলগী গম্না” অমুক্তং নপখ্রবা মা অদো,,
নানথোকপৈ ৱা লৈত্রে, ওম্হোক্লা চেৎখ্রবা।
মী–হাৎপদো, মী–হাৎতবা ওইহল্লি,
ধর্ম্ম–চেন্দ্রবা মা–সু ধর্ম্ম লৈবা ওইহল্লি,
অরানবসু অচুম্বা ওলহল্লি,
মাবু থেংনখ্রবদা অচুম্বা ওলহল্লি, অফবা ওল্লি,
কয়াদা কনখ্রবা মাগী গুণ
থা–দুনা লোইবা নাইবা নত্তে
ইবগী গুণ শোম্বা লৈতে।
পৃথ্বী লোইশিনবসু মা–নি
শেমগৎ–শাগৎপা মাগী থৌনানি
মা–নবু নপখ্রবদা অমুক্তং শেৎতোক–ফকতোকপা ৱাই
কয়াদা গুণ চেনখ্রবা শেলগী গুন–গম ।।
হিরম খুদিংদা “শেলগী গম্ন” থেংখ্রবদা
ফকপা শেৎপা ঙমদে কনাসু
অঙকপনি, শক্তিনি “শেলগী গম” ।।

## তাবুনুংদগী

*(কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রগী ৱারেং শিংগী খেমজিনবা লাইরিক‘‘স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা’’ (দিসেম্বর ১৯৯৯) দা য়াওবা ‘‘ইম্ফালদা খৃষ্টমাসকী পাউজেল’’ হায়বা খুৎই অসি ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি )*

### ইম্ফালদা খৃষ্টমাসকী পাউজেল

খৃষ্টমাসকী নুমিত্তা অয়ুক অমসুং নুংথিন্দা ইম্ফালগী লম্বী সোরোক্তা ভক্তশিংনা শক্তুনা চৎপা থেংনরুই–

মতমগী ঈচেন্দা চৎলি
হৌখরে নোংমা নোংমা
তাইবং থবক থাদোক্তুনা
ঐগী য়ুমদা হল্লনি।

হিন্দু বৈষ্ণবকী ঈশেগুম তায়। হন্দক্কী চহীদা ইহান হান্না মৈতৈলোন্দা খৃষ্টমাসকী ঈশৈ শক্তুনা চৎপা থেংনৈ। আকাশবাণী ইম্ফালগী খৃষ্টমাসকী অয়ুক্তা অপুনবা খোঞ্জেলনা শক্লকই–

জয় লাউবিয়ু লৈবাকমচা
প্রভু লেঙবীরক্লি
.................
নাইতোম শকপা খোঞ্জেন্দা–
যীশু পোক্লে ষণশঙদা
দুতশিংনা খঙহল্লি
.................

খৃষ্টমাসকী পাউজেল পাকশন্না তাবা কুমসিগী চহীনা ইহান হানবনি। মৈতৈগী থম্মোয়দা খৃষ্টগী পাউজেল কন্না তারকই।

যদা যদাহি ধর্ম্মস্য গ্লানির্ভবতি ভারত।
অভ্যুত্থানমধর্ম্মস্য তদাত্মানং সৃজাম্যহম ।।

For God so loved the world, that He gave His only be gotten son,that whosoever believed in Him should not perish but have everlasting life.

ধর্ম্মগী পাউজেল অনী অসিবু করম্বনা খৃষ্টান্নো করম্বনা হিন্দুনো? ধর্ম্মবু নুংশিজবা মীদদি অনীমক চপ মান্নে।

**লাইশ্রম সমরেন্দ্র**

## মণিপুরী পাঙ্থে –পাউরৌ, পাউতাক

**২২৭।অতোঙবদা লেপ্লা**

–খুদোংচাবা ঙাক্তা ওইবা।

**২২৮। অতোঙবদা লৈথোনবা অকুৎপদা লৈতৌবা**

–কান্নবনা হেন্না কান্নবা, অমাঙবনা হেন্না মাঙবা।

**২২৯। অতোঙবদা লেপ্পনা মরাকচরবনি।**

–খুদোংচাবা মফম য়েংবনা লাকচৈ।

**২৩০। অতো, লাইরেক্কনু ইবো।**

–মখাগী অঙাংদা কন্না হোৎননবা পাউতাক পীবা।

**২৩১ । অতোল–অরেং**

– অমত্তা ঙায়ববু শীংথাবা।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিং ঃথিয়েটর অমসুং নুংগী ৱাখল্লোন (নৈনবা)**
**অইবাঃ বি কে ৱাহেংবা**
**অফোঙবাঃ অইবা**
**মমল ঃ ১০০/-**

খৃষ্টকী কুম ২০০৪ দা বি কে ৱাহেংবনা ইবা লাইরিক অসি থিয়েটরগী ওইনা থোইদোক্লা মরুওইবা লাইরিক অমনি। অইবা মশানা লেপসি কম্প্যুটরদা টাইপ সেট তৌহল্লগা এ কে পিন্টর্স, ইম্ফালদা কপি মশীং ১০০০ খক নম্লগা ফোঙবনি। লাইরিক্কী মখুম্না কলাক্ষেত্রগী ডিরেক্তর তোনস্নানা শেম –শাবনি। লাইরিক অসিদা মথক্তা পল্লিবা থিয়েটর গ্রুপ অসিগী থোইদোক্লা লৈবাক্লা অমদি পৃথিবী পুম্বনা খঙনরিবা হন্দক্তা লৈখিদবা থিয়েটর পর্সনেলিটি পদ্মভুসনগী মিংথোন ফংখ্রবা কহ্নাইলালগী ৱারোল অমদি অইবা মশাগী ওইবা ৱাহৌদোক অমসু য়াওরি। হৈন্সাম কহ্নাইলালনা মহাক্কী ৱারোলদা ইরি – “বি কে ৱাহেংবনা লৌরক্লিবা থৌদাং অসি মণিপুরী থিয়েটরগী প্রেক্তিসনর অমদি ভাবোক্তা ৱাখলগী তেংবাং খরদি পীবা ঙমগনি হায়বসি চেৎনা থাজজৈ। হৌখ্রবা থিয়েটরগী ইপা–ইপুশিংগী লৌশিং অদু খরা মখৈদি মমি লাকশিনবা ঙমগনি থাজজৈ।” অমুকসু লাইরিকসিগী ৱাহৌদোক্তা অইবনা ইরি– “থাইনা তাইবঙ মীনা ইচম চন্নিঙৈ মতমদা মখোয়গী সেন্স ওর্গানশিং অদু তরং–তরংলম্মী, মখোয়গী মকোক্তা চয়েৎনবা কয়াগী ইথিল চঙলমদে। মতম অদুদা ফুরুপ ফুরুপকী ওইবা জগোয় –ঈশৈনচিংবা কলাশিং পুংশেং শেংনা থোরকখি। মতমগী মতুংইন্না মীওইবনা থেংনরকপা কয়াদগী নোলেজনা থাক ৱাংখৎলকপা, লূশিল্লকপগী মতিক আর্ট ফোর্ম কয়াদসু অহোংবা কয়া লাকখি।” মতাং অদুমুক হায় আর্টিষ্ট খুদিংমক্তা মহাক্কী আর্ট অদু শাগৎলমদাই হেক মমাংদা মহাক্কী ইন্সটিংদা ইথিল খরা শোয়দনা পীরকই। শাগৎলিঙৈগী মনুংদসু অদুম পীদুনা লৈ।

লাইরিক অসিদা য়াওরিবা মপুং ওইবা চেপ্টরশিংদি থিয়েটর (সেনদোল চেনি)’, ‘ মরী লৈনবা ৱারোলশিং ’, ‘লীলাগী ফিজংশিং (কেনকেথ টাইলান)’, ‘লোইনশিল্লোনবু শাগৎলকপা (আর এ স্কোট এন্দ জেমস)’, ‘মোদর্ন আর্টনা শীংনরকপা (এল্লেন নিপা)’, ‘মোদর্ন আর্টকী য়ুম্ফম (ওজেনফেন্ট)’, ‘ইরেসেনেল ম্যান (ৱিলিয়ম বুমনেট্রি)’, অমদি লৌশিংগী মচাক লৌফম (উষ্টাদ বিহারীলাল কাপুর) অসিনচিংবনি। হায়রিবা তাঙ্কক ৮ অসিদা মনুং চল্লিবা শরুকশিংদি মশীং য়াম্না য়ামখ্রে, গ্রীক থিয়েটর, ইবসেন সো, অনৌবা টেপথিওরী এক্সপ্রেসন্নিজম, লীলা খৃপুথোক্লা আট ওইরকপা, বিটল, পান্দম লৈতবা আর্ট, বেকেৎ , একসর্দ ড্রামা, নেচরেললিজম, স্লাইস ওফ লাইফ প্রে, রিএলিজম, ৱেল মেদ প্লে, লাইরিক নৈনগদবা মী, কবি, পেন্টর, অলবার্ট কামুগা উনবা, ত্রেজেদি তুংদা ওইরক্কদবা, বৃটিশ থিয়েটর, ফ্রান্স থিয়েটর আইওনেস্কো, জর্মন থিয়েটর (ব্রেঘট), লিটরেচর শাগৎপা, মতৌ তম্বা, ত্রেজেদিগী ডিফিনিসন, ডান্টেড্রাইদেন, ক্রোঞ্চকী থিওরি, ইন্দিভিজুএলিষ্টিক আট, এক্সপ্রেসনা আর্টকুম্না থবক তৌরকপা, পোষ্ট ইমপ্রেমন্নিজম, ক্যুবিজম, সুরিএলিজম, আউটোমেটিজম, ইন্টুইসন, ইষ্টেস্নেল ম্যেন (এক্সপেক্টেসি এলিজম) হিবাইজম অমসুং হেল্লেনিজম, গ্রীক রিজন, সার্ত্র, মিসটিসিজম হায়রিবশিংনি। নৈনরোয়গী নৈনবগী মীৎয়েং অসি ফিলোসোফিকেল অমদি প্রক্তিকেল ওই। লাইরিক লাইশুশিংদগী ফংবা ৱাখল–লৌশিংগী শরুক খরা পুনশিল্লগা হেক্তা লেংশিল্লগা থম্বা নত্তে, প্রক্তিকেল ওইবা মওংদা মশাগী লৈজবা ৱাখল লৌশিংসু য়াওনা য়েংশিন্নবা হোৎনবনি। নৈনবা সাহিত্যদা য়াম্না মরুওইরিবসি মহাক্কী নৈনবদুদা য়াওরিবা খঙজিন–উশিনবা ঙম্বগী শরুকশিংদুনি। হায়রিবা অসি নৈনরোয়শিংগী মফমদা মপুং ফানা লৈ। লাইরিকসি পারকপদা থোকপা নুংঙাইতবা অমদি মচাকশিংবু শিন্দোকপগী মওং অসিনি। অফংবা মচাক ময়ামদু মথং মনাও নাইনা নীংথিজনা শিন্দোকপা অমা চঙই।

**আর জে মীতৈ**

### লীক্লি

**রনবির সারুংবা**

লীক্লি মনুংদা
মনুংদা য়াওরিবদু করিনো?
কনানা হায়
অকনবা থম্মোয়নি।
লান্নি।
নুংনি।
নুংথংনি।
পুন্সি অমসুং
থৱায় (পারু) কায়নবগী
মৈচাক্লা য়োল্লবা থম্মোয় অমা
মখুম চেৎনা খুল্লদুনা য়োক্লি।
অমুক হন্না থোক্লকপা য়াদনবা ফারি।